# ইরাবতকী থাবুমগা মরী লৈননা শৈরেং থিবগী অথোই অহেন তান্নবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ২৮ ঃ জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা থা অসিগী ২৫দগী চয়োল অমা চুপ্পা চত্থরকখিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১১৯ শুবা নিংশিং থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি মণিপুর কলেজদা লৈবাক নিংবগী শৈরেং থিবগী অথোই অহেন তান্নবগী কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে।

জে এস সি সিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা শৈরেং থিবগী অথোই অহেন তান্নবগী কম্পিটিসন অদু কেটাগোরি (এ) অমদি (বি) হায়না খায়দোক্তুনা পাংথোকখি। কেটাগোরি (এ) দা ক্লাস নাইন্দগী টুৱেল্ভ ফাওবা অদুগা (বি) দা গ্রেজুয়েটতগী মাষ্টর ফাওবদা লৈবা মহৈরোইশিং হায়না খায়দোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা কেটাগোরি (এ) ১দি (বি) দা পুন্না মহৈরোই ৮ – ৮ না শরুক য়াদুনা শৈরেং থিবা চাংদম্নখি।

পাঙথোকখিবা শৈরেং থিবগী চাং দম্নবা অদুদা কেটাগোরি এ দা দিএভি পাব্লিক স্কুলদা ক্লাস টুয়েল্ভ সাইন্স তম্লিবী অনামিকা হিরাংখোঙজমনা অহানবা, ইমা স্কুলদা ক্লাস টুৱেল্ভ তম্লিবী কে তম্পাকলৈমনা অনিশুবা ১দি টিজি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা এলেভেন অর্টসতা তম্লিবী সি ঐচ থোইথোইবী চনুনা অহুমশুবা তাখি। কেটাগোরি বি দা ইম্ফাল কলেজদা বিএ সি ৫ শুবা সেমিষ্টরদা তম্লিবা এ মালেমঙানবনা অহানবা, মণিপুর কলেজদা ৫শুবা সেমিষ্টর তম্লিবী এন জি চন্দ্রজিনিনা অনিশুবা ১দি দিএম কলেজ ওফ আর্টসতা ৫শুবা সেমিষ্টর তম্লিবা এম দি সরোজ খাননা অহুমশুবা তাখি হায়রি।

ইরাবতকী নিংশিং থৌরম অসিগী অরোইবা নুমিৎ ওইনা থাসিগী ৩০দা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনশিংগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমগা লোয়ননা মহাক্কী নিংশিং থৌরম দিএম কলেজদা পাঙথোক্কনি হায়খি।

# ৱারী লীবা ফেষ্টিবেল ২০১৫ হৌখ্রে

## নাৎ হোংবা নাইহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি ঃ বিজয়

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৮ ঃ রেপর্টরি ওফ ৱারি লীবা মণিপুরনা শিন্দুনা অনিশুবা গুরু ঙাসেপ্পম তোম্বী মেমোরিয়েল ৱারী লীবা ফেষ্টিবেল ২০১৫ ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্কি মনুং চন্না খুরাই শাজোর লৈকাইদা লৈবা খুরাই কলা বিদ্য ভাবনদা হৌখ্রে। ঙসিদগী হৌদুনা ওক্তোবরগী তাং ৪ ফাওবা চত্থগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা ৱারী লীবা ১তনা শরুক য়ারি।

ফেষ্টিবেল অসিদা মহাভারত আদি পর্বৰাগী বর্নাবোত চা–শং মৈ থাবদগী হৌদুনা নুমিৎ খুদিংগী পরিং নাইনা ৱারী লীগনি।

পাঙথোকখিবা থৌরমদুগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা মিনিষ্টর ওইরম্বা বিজয় কোইজমনা হায়বদা হৌখিবা চহী ১০রোমসিদগী ৱারী লীবগী চৎনবী কলচর অসি শিথরকপগুম তৌরি। ৱারী লীবগী কলচর অসি পুৱারীবু ওরেটোরি ওইবা মওংদা মীয়ামদা মশক তাক্লবা হোৎনবদুনি।

নাৎ চৎনরোল হায়বসিদি অওনবা অহোংবা নাইহনগদবা নত্তে ঙাক শেন্দুনা মাংহন্দনা থমগদবনি। মতমগী অহোংবনি হায়দুনা চৎনরম্বা লিচৎ অমদি ফিজেৎ চাকচাদা অহোংবা লাক্কদবনি হায়বসি অশোয়বনি। লুহোং খোংদোংবা অমদি অশি–অনাগা মরি লৈনবা থৌরমদা মীরমগী ফিজেৎ ফীজোল শেৎচিন ইনশিনবা অসি চৎনবীনি হায়দুনা তৌরকপা থেংনৈ। হোং লকক্লিবা মশক অসিনা লমদমসিগী নাৎ অমদি চৎনবি অসি তশেংনা মাং হনখিনবা হোৎনবগা মান্নে।

মরম অদুনা লমদমসিদা লৈরিবা ফজরবা চৎনলোনচৎশিং অসি কায়হন্দনা মীয়াম খঙহন্নবা হোৎরকপসিদা নুঙাইবা ফাওই। ৱারী লীবগী ওইবা মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা চৎনা কাংলোনশিং অসি কাইহন্দনা থমগদবনি। লমসিদা খঙ হৈরবশিংনা হৌরক্লিবা মীরোলদা তাকপী তম্বীবদা অশেংবা চৎন–কাংলোনশিং অদু কায়হন্দনা তাকপী তম্বীবা য়াম্নমক মথৌ তাই।

ৱারী লীবগী ফজখ্রবা মশক অসি মশক খঙদবনা ঙসিগী মীরোলনা নাথৈনদুনা লৈরিবসি তৌদনবা অখঙ অহৈশিংনা পুন্না কোক চুংশিন্নদুনা থবক তৌমিন্নবা মথৌ তারে হায়খি।

পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা রিপর্টরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কোম্থৌজম কুঞ্জো সিংহ অমসুং রাজশ্রী ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী ত্রেজরর তখেল্লম্বম ইরাবত সিংহনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইখি।



কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইটস কেম্পেইন মণিপুরনা চংশিল্লকপা “মর্জর এগ্রিমেন্টগী মায়োক্তা লৈবা থা” গী শরুক অমা ওইনা নম্বোল চীংমাংদা মণিপুরগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা ৱাকৎ মীফম চত্থবা

# ত্রিনামুল কংগ্রেসনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

এস এন এস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৮ ঃ মণিপুরগী গভর্নর সয়েদ অহম্মদ না হন্দক ইখং খঙহৌদনা তেল্লবা মতম অসিদা লৈখিদবদা মণিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টিঐচ শ্যামকুমারনা মহাক্কী পার্টিগী মায়কৈন্দগী অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমা থারক্লি।

লৈখিদ্রবা গভর্নর অসি রাজনীটিগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমখক্তা নত্তে, মহাক্তি মীয়ামগী অৱাবা অমসুং কাঙলুপ মশেল নাইবগী ৱাখল্লোন অসি চপ চানা থেংনদুনা অপুনবা ভারত অমা শেম্নবগী পান্দমদা হেন্না থৱায় য়াওখিবা মীশক অমনি হায়না শিংথাখি। মহাক্না মণিপুরগী গভর্নর ওইনা লৈরম্বা তেল্লবা মতম খরা অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী লমদম অসিগী শোত্থহৌরিবা ফিভম কয়া অদু ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবা মীশক অমসু ওইখিবনি। মহাক্না লৈখিদবসি ইনিদয়াগী পোলিটিকেল পুৱারী অসিদা মেনখৎপা ঙম্নরোইদবা মাংজবা অমা হায়বদু ওইরবনি। মহাক্কী মহুত্তা লাক্কদৌরিবা গভর্নরশিংনা মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্লিবা কয়া অসি মহাক্কুম্না কত্থোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্তুনা নিংবা থুংহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রদুনা লৈখিদ্রবা গভর্নর অসিগী থনয়না ইংনা চিক্লা মপুগী লৈকোন্দা তিনবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা গভর্নরগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ফার্দেষ্ট ফিল্ড মশক তাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ ঃ মণিপুর গভর্নমেন্টকি টুরিজম দিপার্টমেন্ট অমসুং ইমাসি দি মহারাজকুমারি বিনোদিনি দেবী ফাউন্দেসননা পুন্না শিন্দুনা রঘু কার্নাদনা ইবা লাইরিক “ফার্দেষ্ট ফিল্ড– এন ইন্দিয়ান ষ্টোরি ওফ দি সেকেন্দ ৱার্ল্ড ৱার” ঙসি ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা এম এস এফ দি সি গী ওদিটোরিয়মদা ফোংদোকখ্রে।

লাইরিক অদু ইমাসি ফাউন্দেসনগী ভাইস চিয়ারমেন ডাঃ আর কে নিমাই সিংহ অমসুং অইবা রঘু কার্নাদ না পুন্না মীয়ামদা মশক তাকখি। মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাওদা য়াওখিবা রঘুগী মথৌ অমদি মরি মতাগী ৱারীদা মরুওইবা য়ুম্ফম ওইদুনা লানগী লাইরিক্তু ইবনি।

ফোংখিবা লাইরিক্তুগী মরমদা অইবা রঘুনা ফোংদোকখিবদা লাইরিক অসিদা মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাওদা থোকখিবা ইন্দিয়াগী ৱারিশিং উংনবা হোৎনবনি হায়খি।

রাজেশ্বর য়ুম্নামনা ‘বেট্টল ওফ ইম্ফাল’ হায়বসিদা মহাক্কী ওইবা প্রজেন্টেসন অমসু উৎখি। মণিপুর গভর্নমেন্টকি টুরিজম সেক্রেটরি নিধিমনি ত্রিপাথিসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা লাইরিক ওইনা ফোঙখিবা “ফার্দেষ্ট ফিল্ড” অমসুং মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাওগী মরমদসু খন্ন–নৈনখি।

# মফম ৭ তা সিরক গী কেম্পেন চত্থখ্রে

ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ২৮ ঃ কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইট কেম্পেন (সিরক)না থাসিগী ২১ দগী মথং থা ওক্তোবর ১৫ ফাওবা মর্জর এগ্রিমেন্টগী ময়োক্তা চত্থরকখিবা কেম্পেনগী মনুংচন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী মফম তরেৎতা কেম্পেন চত্থক্রে।

সিরকনা ঙসি মর্জর এগ্রিমেন্টগী মায়োক্তা চত্থখিবা কেম্পেন মফমশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী অমদি লৌশংখোং অনি পুন্না লৌশংখোং কম্যুনিটি হোলদা, সেক্তা ময়াই লৈকায় কমুনিটি হোল, ইম্ফাল ৱেষ্টতনা নম্বোল ফোইজিং বজার, নম্বোল সাবল লৈকাই কম্মুনিটি হোল, নম্বোল মাইবম কম্মুনিটি হোল, ঙাইখোং খুনৌ অমদি নরানসৈনাদা চত্থখিবনি হায়রি।

মফম ৭ তা সিরকনা মর্জর এগ্রিমেন্টগী মায়োক্তা চত্থখিবা কেম্পেন অদুগী মরুওইবা থিমদি মণিপুর দিমান্দ হোম রুলস অমদি রেষ্টোর প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেতস হায়বা থিমদা চত্থখিবনি। মীওই চাম্মগী ময়াদা শরুক য়াদুনা চত্থখিবা কেম্পেন অদুদা সিরক কী স্পোক্স পার্সন নিংথৌজা লানচানা ঙসি চত্থখিবা মফম তরেৎ অদুদা মিনিট ১০ রোমগী মতমদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি হায়রি।



পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইষ্টর্ন গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা ইয়ুনিক কেন্নেদি শ্রাইভর দে পালন থৌরমদা দাইজদা ফমখিবশিং

লমায় ১ গী মখা

## নুমিৎ নিনিগী মণিপুর খোঙচৎতা ...

তানা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ অসিদা এ আরনা ওপরেসনগীদমক শেম শারিবা কয়া অদু রিভ্যু তৌখি অমসুং আই জি এ আর (সাউথ)না পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অদু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মখোয়না মখা তানা ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটিদা শিংনরকপশিং থেংনবা হোৎনবদা চপ চাবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মখা তানসু প্রোফেসনেল ওইবা মওংদা অমসুং নোর্থ ইষ্ট মীয়ামগী মরুপ ওইবগী চপ চাবা ৱাখল্লোন্দা মখা তানা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎনবসু মহাক্না মখা তানা লাম্নীশিংদা পাউতাক পীখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।


**Gas Today**

**M.M. GAS SERVICE**
Booking upto.....18/05/2015
Valid from..........10/05/2015
Stk. ..................270=14kg , stk:24=19kg. (DBTL)
Timing.................. 7-10am

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
Serial No. upto........123050
Booking upto.....02/07/2015
Valid from..........08/06/2015
Stk. ............................ 306
(DBTL customers only)

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking upto.....25/06/2015
Valid from..........20/06/2015
Stk. ............................ 612
Timing............. 10am-1pm.

**HEIROK INDANE**
Booking upto.....28/07/2015
Valid from..........29/06/2015
Stk. ................ 306 (DBTL)
Timing.............. 7-10:30am


লমায় ১ গী মখা

## মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ ৩৯ য়েলহৌমী ঙাক্তনি...

মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাকপা হায়বসিগা লমদমসিদা পুন্না খুন দামিন্নরিবা মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা নুংগী ওইবা মরীগা শেৎনবা য়াদে হায়বসি কৈদৌনুংদা লাল্লরোইদবা ৱাখল মীৎয়েংনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনরকপদি লেপ্পা লৈত্রি। চহিসিগী আগষ্ট ৩ দা ইনিদয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এনএসসিএন (আইএম) অনিগী পিছ একোর্দ না মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা করি চৈথেং পীরক্কদগে হায়না ৱানরি।

লমদমসিগী য়েলহৌমী কন্নবা মণিপুর এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা বিল হন্দোকউ হায়দুনা মীওই খরনা দিমান্দ তৌরক্লি। মসি ভ্রান তাদবদগী তৌবনি। বিল অসিনা য়েলহৌমী অমত্তদা অকায়বা পীরোই, চীংমীগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার এমসি অরুন না রিছোর্স পার্সনগী ৱারোলদা হায়খিবদা মৈতৈনা মৈতৈ খক্তগী, কুকিনা কুকি খক্তগী, নাগানা নাগা খক্তগী মৈতৈ পাঙ্গলনা মৈতৈ পাঙ্গল খক্তগী খল্লবদি মণিপুর কায়গনি। ঐ ঐগী ফুরুপ খক্তগী য়াইফনবা খনবা অসি অমরোমদদি অপিকপা ৱাখল্লোননি। চহি কয়াগী মমাংদগী পুন্না খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লৈরক্লবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৌশিং তামিন্নবা ৱাৎপদগী মীতোপ্পা খুদোং চাবা লৌখিবা য়াবগী অকিবা লৈ। অমরোমদনা মৈতৈ ফুরুপনা ট্রাইবেল ষ্টদিজদা হঞ্জিল্লবদি হান্নদগী হেন্না চাউখৎকনি খনবা ৱাখল্লোনসি মহাক য়ানিংবা ৱাৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফ্রিদমগী এদিটর আরকে রানেন্দ্রজিৎনা হায়খিবদা, মণিপুরনা ইনিদয়াদা তিনখিবদগী ঙসি ফাওবা দিমোক্রেসিগী মরুমদা মীনাই নাইথাংগী পুন্সি হিংলি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা অসুক তমথিবা থৌদোক কয়া থোক্লিবসি করিনো হায়বসি মীয়াম্না নৈনবা মতম ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

জেসিআইএলপিএস কী কো–কনভেনর কেঐচ রতননা হায়, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা নন–মণিপুরী চংশিল্লকপগী চাংসি খঙহেন হেনগৎলকখি। নন–মণিপুরীগী মীশিং অসি লাক্ষ ১০ রোমনি। মীওই লাক্ষ ২৮ লৈবা পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা নন–মণিপুরীগী অপুনবা মীশিং অসি লাক্ষ ১০ নি। ফিভম অসি মীপাইবা ফাওফম থোকই। অদুবু পোলিটিসিয়ানশিংগী থম্মোইদদি মীপাইবগী অসি ফাওদবগী মমি তারি।

পোলিটিসিয়ান অমত্তনা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিদ্রিঙৈদগী লমদমসিদা ওইরক্লিবা থোকহৈদবা থৌদোকশিংগী মরমদা পাউদম্বা ঙমদবসি লাইবক থিবনি। মণিপুরগী য়েলহৌমী মুংনবা, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়নবগীদমক ইন্দিয়া দা তিনখিবা নত্তে হায়বসি গভর্নমেন্টনা থৌনা ফনা হায়ফম থোকই। পোলিটিকেল ৱিল ৱাৎপা অমসুং গভর্নমেন্টনা মরিল ফবা ৱাৎপদগী ৱাহে অমা হায়বা ঙমদবনি হায়না মরাল শিখি।

অমরোমদা, য়েলহৌমী কন্নবা বিল অসিনা চীংগী ইন্টরেষ্ট শোক্লোই। জ্ঞান তানদ্রিবা অসি ফম্মিন্নরগা ৱারী শাসি। দরকার ওইরবদি জেসিআইএলপিএসকী লুচিংবশিংনা চীংমী লিদরশিংগা উনদুনা ৱারী শাগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। আর চন্দ্র হাওমৈনা হায়খিবদা, চীংমী তম্মী অনিগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈরবদি লৈবাকসি ইংগনি। লাইনিং লম্বীদা খেন্নবা লৈখিবদগী চীংমী তম্মীগী মরক্তা মতম কুইনা থম্মোইগী ওইবা মরী তৎনখিবদগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপা ঙমখিদ্রে। নুংশিনবগী মরী চেৎশিন্দুনা অপুনবা শক্তম শাগৎনবা ফোঙদোকখি। এল খুপ্পর কোমনা হায়খিবদা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ ৩৯ অসি য়েলহৌমী ঙাক্তনি। চীংগী লমদা ৬ শুবা সেদ্যুল চৎনহনবগী অপাম্বসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## কেক্রুপাৎতা মীয়াম্না হৈথা–লৈথাখ্রে চীং তমগী অপুনবা থুগাইনবা হোৎনবনা...

অপাম্বা কান্দুনা থবক তৌবা য়ারোই। অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা ২০০১দগী লৈবাক্কি ওইবা ৱাফম থমদুনা লমদমসিগী শক্তম অমদি নুংশি চান্নবা কায়বা য়াবা থবক তৌদনবা ৱাফম থমদুনা লাক্লি ।

হন্দক ষ্টেটসিগী চীংগী মীয়ামগা তমগী মীয়ামগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎপদগী তাঞ্জা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্দিয়াগী মশক নাইবা লুচিংবশিং উন্নবনচিংবা তৌরিবশিং অসি য়ু সি এম না য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি।

মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কাইদনা থম্নবা য়ু সি এম না মতম পুম্বদা লেপখিগনি। অৱাং–নোংপোক্কি খ্বাইদগী পাঙ্গল কনবা লালহৌ লুপনি হায়না লৌনরিবা এন এস সি এন (আই এম)গা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা শান্তিগী ৱারি শান্নরিবা অসিগী ইন্টরলেক্যুটর আর এন রবি ইম্ফালদা লাক্লম্বদা য়ু সি এমনা অমুক্কসু মণিপুর কায়দনবা তকশিনখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু ষ্টেটকি ওইবা ৱাফমসি নিংথিনা খঙলমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ষ্টেটকি ওইবা ইশু অসিগা মরি লৈননা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকি মরুওইবা মীওইশিং উন্নবগী তঙাইফদবা লৈরগদি মদুসু থবক্তা ওন্থোক্লবা শেম শাদুনা লৈ।

মরক অসিদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা পুক্লিং লৈতাদবা মতম অসিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরকসিদা ষ্টেটসিগা য়ুমথংনরিবা সরকারগী মায়কৈদগী মরম চাদনা অৱাই অখুম তৌনবা শিনগনু। মখোয় মখোয়গী ষ্টেটকি ইসুদা মণিপুরনা খুৎ থিংজিন্দুনা অকন অকনবা ৱাফম ফোংদোক্লবদি চাওখৎপা অমদি তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইরোই হায়বসি খঙনা য়ু সি এমনা চৎলি। ষ্টেটকি ওইবা ইসুদদি ষ্টেটতুগী মীয়াম্না লেপচগদবনি । মীয়ামগী মরক্তা ৱাখল তানবা ৱাৎপদগী হৌজিক ষ্টেটসিদা ইরাং হৌবনি। য়ানদবা অমদি পেন্নদবা ৱাফম খুদিংমক তাথোক তাশিন তৌনরগা ৱাখল তানদুনা অচুম্বা লম্বীদা লাক্লগা অমত্তনি হায়বগী ৱাখল ফাওরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ওইররোইদবা ৱাখলনা মাঙ থাদুনা লমদমসিগী নুংশিনবা থুগাইনবা হোৎনবনা তুংদা কান্নবা করিসু পুরক্লোই হায়খি ।

## চিফ মিণিষ্টরনা লুচিংদুনা অৱাবা...

ডাঃ সয়েদ অহম্মদ অফবা লুচিংবা অমনি হায়বসি ঐখোয় ময়াম্না খংনরবা ৱাফম্নি। মহারাষ্ট্র বিধান সভাগী মীখলদা মঙারক হেন্না মায় পাক্তুনা মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাকখিবা মীয়াম্না শকখং মাইখংনরবা মীশক অমনি। মহাক মণিপুরগী ওইদ্রিঙৈগী গভর্নর মমাংদা ঝারখন্দ ষ্টেটকী গভর্নার ওইরম্মী। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা থম্মোই শোক্না নুংঙাইতবা ফোংদোকচরি। মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈশ্বরগী মফমদা ইংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়নসু ফোংদোকখি।

চিফ মিনিষ্টরগী অৱাবা ফোংদোকপগী ৱারোল পিদ্রিঙৈগী মমাংওইননা ইন্ট্রোদক্তরিগী ৱারোল থম্লদুনা মণিপুর গভর্নমেন্টগী চিফ সেক্রেটরি পি সি লোমকুংঙানা ডাঃ সয়েদ অহামদ ১৯৪৫কী মার্চ ৬ পোকখি। মহাক ইন্দিয়াগী পোলিটিসিয়ান অমা ওইবদা নত্তনা অইবা অমসুনি। কঙ্গ্রেস পার্টিগী মেম্বর ওইরম্বা সয়েদ অহামদ ২০১৫গী মে ১৬ তা মণিপুরগী ১৬ শুবা গভর্নর ওইনা ৱাশক লৌখি।

মহাক হিন্দী অমদি ইংলিসতা মাষ্টর লোয়বদা নত্তনা উর্দু লোন্দা ডোক্তরেট ফংখি। “পাগদন্দি সে সহর টক”, কৌবা ওতোবাইয়োগ্রফি অমসু ইরম্মী। মহাক্কী অতোপ্পা লাইরিকশিং খরা পল্লবদা মগটলসে মঞ্জিল, কাফস সে চমণ অমসুং জঙ্গী–অজাদিমে উর্দু সাইয়রিনি।

মহাক ইন্দিয়ান নেসনেল কঙ্গ্রেসতা ১৯৭৭ দা য়াওখি। মুম্বাইগী নাগপারা কনস্টিট্যুন্সিদগী বিধান সভাগী মীহুৎ ওইনা ৫ রক কারম্মী অমসুং মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টর ওইরম্মী। ২০১১ গী আগষ্ট ২৬তা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রটিভা পাটিলনা মহাকপু ঝরখন্দগী ৮ শুবা গভর্নর ওইনা হাপখি।

## তোখায়না তাবগী ৱাখল্লোন্না ষ্টেট অসিদা ...

লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৩০দা অচৌবা থৌরম অমা পাঙথোক্লগা থাবুম অমা চুপ্পা চত্থরকপা কুম্মওন থৌরম অসি লোইশিনগদৌরিবনি।

ঙসিগী চরাংনরিবা সমাজগী ফিভম অসিদা ইরাবতকুম্বা লুচিংবা অমা দরকার ওইরকই । মহাক্কী কত্থোকপা, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম্মু কায়হন্দনা থম্বা পামজরম্বা কয়া অদু ঙসিগী মীরোলনা কাউথোকফম থোক্তে।

ফুরুপ কাঙলুপগী ওইবা ৱাখলদা তোঙান তাবগী খোঙথাংনা শান্তি পুরকপা ঙম্রোই। ফুরুপ কাঙলুপশিং অসি পীক্ক পীক্লগা হাৎনবা নুংশিনদবা হেনগৎলকই।

নাগাশিংনা তোঙানবা অমা, কুকিশিংনা তোঙানবা অমা, মীতৈশিংনা তোঙানবা অমা মুস্লিমশিংনা তোঙানবা অমা লৈবা মতমদা নুংঙাইবা ফংলোই।

মসিদা নুংঙাইতবা লৈরিবা অসি ধর্ম্মনা নত্তে। মান্নবা খুন্নাই অমা লৈরবতদা নুংঙাইতবা অসি কোকহনবা ঙমগনি।

চহি অসিগী পালন থৌরম অসিগী পান্দম অসি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনবনি। মরম অসিনা মীয়াম্না ইরাবতনা পামজরম্বা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনবগী ৱাশক অদু লৌমিন্নরসি হায়খি।

মসিগীদমক ইং ১৯৪৭ তা জননেতা ইরাবতনা মতম অদুদা মণিপুর কায়বা য়াবগী ফিভম লাকপদগী চীং তমগী লুচিংবশিং এম দি য়ু হোলদা নবেম্বর ৩০দা কৌদুনা মীফম পাঙথোক্লগা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনখিবা অদুগুম্না সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা লাক্লিবা নবেম্বর ৩০দা এম দি য়ুদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী লুচিংবা কয়া য়াওবা অচৌবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পেন্দবা কয়া তাইশিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

থৌরম অদুদা হান্নগী কৃষ্ণী কেন্দ্রগী এম এল এ এন মঙ্গীনা হায়, মণিপুরদা বিল অহুম পাস তৌখ্রবা মতুংদা চীংগী লমদা মীয়ামগী ইহৌ লাকখিবা অসি মরু ওইনা প্রজাশিংগী ৱাখলদা চিংনবা খর লৈবদগী ওইগনি।

প্রজাশিংদা চিংনরিবা অসি কোকহন্নবা গভর্নমেন্টনা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা ৱারি শান্নদুনা মীয়ামগী ৱাখলদা ফাওরিবা নুংঙাইতবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবা দরকার ওই হায়খি। মসিগীদমক মীয়াম তান্নবা দরকার ওই।

মীয়ামগী ৱাখলদা ফাওরিবা চরাংনবা অসি কোকহনসি হায়রবদি জননেটানা শাগৎলম্বা মণিপুর নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম পুম্নমক্কী ৱাখলদা কোকহন্দুনা থাজবা থম্বা তাই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ঐখোয় অমত্তনি, মণিপুর কায়বা...

মরৈবাক মজাতি নিংজবগী মতৌ অদুগা হৌজিক্কী লৈঙাকপশিংনা তৌথোকক্লিবা থৌদৌশিং অসিগা থিনা খেৎনবা মওংদা পেন্দবা ফোভদোক্লদুনা হায়খি। ফিভম অসিদা কুমসিগী লাংবন তর্পন কৎপগী থৌরম অসিদদি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা শরুক য়াহন্দুনা অমত্তা ওইবগী লিচিং মখাদা থবক তৌবা হৌনবা থৌরম অসি শিনবনি।

মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা জাতি কাংলুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্লবা অমদি শান্তি ওইনা হিংমিন্নবা মণিপুরগী ঙমখে অমদি নিংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা মথৱাই কৎখ্রবা অথৌবশিং অদু নৌহৌনা নিংশিংবা ওইনা থৌরম অদু পাঙথোকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মীওই চা কয়ানা খোঙজোম তুরেলদা হৈ–লৈ কৎখিবা তর্পনগী থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর বিবেক রাজ ৱাংখেম ত্রষ্টকী এদভাইজর নববোলকেনোসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী তোঙান–তোঙানবা মফমদগী লাকপা শৈশকপশিংনা শকপা লৈবাকনিংবা ঈশৈ অমদি অথৌবশিংবু শৈথাবা ঈশৈগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

## ইম্ফাল মোরে লম্বীদা হেভি ভেহিকল ...

মহৈরোই লুপ অসিনা অথিংবা অসি ঙাক্না চৎনবা অপিল তৌরদুনা করিগুম্বা থওইদ্রবদি মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু কিহল্লি।


**DIRECT ADMISSION 2015-16**

**"NO DONATION"**

**Easy instalment reputed Colleges in India**

**ENGINEERING :-**
- ECE
- CIVIL
- MECHANICAL
- EEE
- CSE & MORE

**MEDICAL :-**
- MBBS
- BDS
- MDS
- B'SC. NURSING
- M'SC. NURSING
- PHARMACY & MORE

**OTHERS COURSE :-**
- MBA
- BBA
- BCA
- MCA
- B'SC. (ALL BRANCH)

FOR FURTHER ENQUIRY CONTACT & VISIT CAREER SOLUTION
*PALACE COMPOUND IMPHAL EAST*
*MAHABALLI ROAD NEAR BOAT & ADVANCE HOSPITAL*
*Contact No. 8730910588/8014080074*

**F.i Tutorial for CBSE**
*For Acheiving Excellence in CBSE*

ADMISSION OPEN 2nd BATCH
**CLASS XI & XII CBSE**
6 MONTH FOUNDATION COURSE
*Class starting from 10th July, 2015*
Class timing : 4.40 p.m to 7.40 p.m
Subjects : *Mathematics, Physics, Chemistry, Biology and English*

FREE Basic Computer Practical Training for all students. sponsored by : ITSofts EDUCATION

Features:
- Combine Excellence Test Series
- Discussion period for every weekend
- Excellence study materials for Exam
- Best Faculties from TOP CBSE school

For details please contact office - 4 p.m to 8.00 p.m or # 9856941992 or 8014941283
Keishampat Hodam Leirak, opp. Tiddim oil pump.

CONGRATULATION

Excellence Acheivers in 2015 Exam

Students securing above 80%



Students securing upto 80%

**AISECT** www.aisect.org

National Centre For Electronics and Information Technology Implemented under the Core Support of Deptt. of Science and Technology(Govt. of India) And National Skill Developement Corporation (N.S.D.C)

ADMISSION NOTICE (JULY 2015 SESSION)

| Course | Duration | Eligibility |
|---|---|---|
| Post Graduate Diploma in Computer Application | 1 Year | Graduate |
| Diploma in Computer Application | 1 Year | 12th Pass |
| Diploma in Computer Programming & Application | 1 Year | 10th Pass |
| Certificate in Computer Application | 6 Months | 10th Pass |
| Advance Diploma in Computer Hardware & Networking | 1 Year | 12th Pass |
| Certificate in Computer Hardware Engineering | 6 Months | 12th Pass |
| Certificate in MS. Office (word, excel, powerpoint) | 3 Months | 12th Pass |
| DTP (MS. Word, Page Maker, Photoshop, Shrilipi) | 3 Months | 12th Pass |
| VB.Net, C, C++, Core Java | 3 Months each | 12th Pass |

For Details Contact : 9856176610
EMOINU INSTITUTE OF INFORMATION TECHNOLOGY,
Bir Tikendrajit Market Palace, B. T. Road, Imphal, Near Gambhir Shopping.